www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

# সনালৈবাক

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



ফিল্ম একাদেমি মণিপুরনা পুথোকপা লৈখিদ্রবী মহৈরোই নিংথৌজম বেবিসনাদা কখোল্লবা 'হাদ ইতা' হায়না মিংথোনবা ম্যুজিক ভিডিও এলবম থাংমৈবন্দ এ সিগী এম এল এ, কেঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখিবা



থবক শুবা ফংহন্দবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবগীদমক পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা শিন্মীশিংগী মচাশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টতা স্কুল বেগশিং পীশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখিবগী শক্তম



মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) গী ৫২ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা লুচিংদুনা থৌমীশিংগা লোয়ননা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখিবগী শক্তম অমা

Volume No: 44 Issue: 031 | IMPHAL FRIDAY 27 DECEMBER, 2019 | ইরাই, ৱাকচিংগী নোংমা পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাকপু ফৈ ফত্তে ঙাংলিবশিং অদু ঙাওহনগে খল্লবদি মখোয়বু থওইনা তৌরুনু

## অঈং–অশা

| | |
|---|---|
| খ্বাইদগী শাবগী চাং | ২৩.৭৬° সি |
| খ্বাইদগী ঈংবগী চাং | ৪.৭৪° সি |
| নোংজুগী চাং | ০ এম এম |
| নুমিৎ থোকপা | অয়ুক পুং–৫.৫৭ |
| নুমিৎ তাবা | নুংথিল পুং–৪.৩৩ |

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭৩.২৩

ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৫.৭৩

SANSUI
WASHING MACHINE
6.5 KG = ₹ 7999
7.2 KG = ₹ 8999
8.2KG = ₹ 10200
6.2KG Godz = ₹ 8200
7KG New Godz = ₹ 9200
8KG Godz = ₹ 11500
8.5KG Godz = ₹ 12000
REFRIGERATOR
181 Ltr Godz = ₹ 10600
190 Ltr Samsung = ₹ 11400
190 Ltr 3 STAR Godz = ₹ 13400
200 Ltr 3 STAR = ₹ 13000
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
32" LED (3220) 1YR = ₹ 9500
40' LED + Tata Sky = ₹ 19000
50' LED + Tata Sky = ₹ 29500
Videocon House, Paona Bazar, Imp.

## লোইরেদনা

ৱারুরনু লৌবুকমখৈ মতম চুপ্পা শংহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরনি...!



সার, নোং মতম চানা চুহন্নবা খুৎলায়গা শারবজাৎলা...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### লৌবুক অমসুং লৈঙাক

লৌবুক খোপ্পসু ঐখোয়নি
লৌবুক কনবসু ঐখোয়নি
য়ারদি ইয়া য়ারে ঐখোয়না
লো ঙাক্তবা কাঙবুগী
মীৎকপ মীরাও তানিংদে
শক্তি লৈবা কাঙবুগী
ধপ–নুং থেংননিংদে
য়ান–য়ানবা চৎপনা
খ্বাইদগী ফরে ঐখোয়দি
মীয়ামগী মীহুৎ ঐখোয়দি
খঙই লোয়না ঐখোয়দি
লৌবুক্তা খুন্নৌ শেম্বসু
লৌবুক্তা ফেক্তরি লিংবসু
লৌবুক্তা চেকপন খাবসু
য়ারদি ইয়া য়ারে ঐখোয়না
য়ান–য়ানবা চৎপনা
খ্বাইদগী ফরে ঐখোয়দি
লৌবুক খোপ্পসু ঐখোয়নি
লৌবুক কনবসু ঐখোয়নি

# চহী ৫গী মনুংদা পোক্সো এক্টকী মখাদা ভিক্টিম ১২৩ কম্পেন্সেসন ফংখ্রে

## চহী শুদ্রিবা অঙাংশিং চেন–চোংবদা পোক্সোগী খুদোংচাবা লৌবগী চিংনবা লৈ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা চহী ৫ গী মনুংদা দি প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুচুয়েল ওফেন্স ২০১২ (পোক্সো এক্ট) কী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা ভিক্টিম ১২৩ না মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা পীবা কম্পেন্সেসনগী শেনফম ফংখ্রে। চহী শুদ্রিবা অঙাংশিং য়ূম্বানবগা মরী লৈননা চেন–চোংবগী হীরমদা মমা–মপা ওইবশিংনা পোক্সোগী খুদোংচাবা লৌরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা পায়খৎপা কম্পেন্সেসন ফোর ভিক্টিমস রেজিষ্টার অন্দর পোক্সো এক্টকী মখাদা কুমজা ২০১৪–১৫ অমদি ২০১৫–১৬ তা এক্ট অসিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা কেসশিংগী ভিক্টিম ১৩ দা অপূনবা শেনফম লুপা ৮,৫৫,০০০ পীথোকখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১৬–১৭ তা অপূনবা ভিক্টিম ১২ দা স্কিম অসিগী মখাদা কম্পেন্সেসনগী শেনফম লুপা ৭,৮০,০০০ ভিক্টিমশিংদা পীথোকখিবা লৈখ্রে।

কুমজা ২০১৭–১৮ গী ওইনা ভিক্টিম ৩৬ তা পূন্না লুপা ১৪,৭০,০০০ পীথোকখ্রে। লোয়ননা কুমজা ২০১৮–১৯ গী ওইনা পূন্না ভিক্টিম ৬২ দা অপূনবা শেনফম লুপা ২৫,২০,০০০ পীথোকখ্রে। লোয়ননা কুমজা ২০১৯–২০ গী ওইনা ভিক্টিম কম্পেন্সেসনগী শেনফম ফংবা য়াবা ভিক্টিম মশীং ২২ শুরে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, কম্পেন্সেসন ফোর ভিক্টিমস রেজিষ্টার অন্দর পোক্সো এক্টকী খুদোংচাবা ফংবা য়াবা বিনিফিচিরিশিং অসি মশাগী চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং ঙাক্তনি।

পাউ অসিনা হায়, মণিপুরগুম্বা নুপী–নুপা চেনবা চোংবগী চৎনবী লৈবা ষ্টেট অসিদা পোক্সো এক্ট অসি লান্না শীজিন্নবা য়াবগী লম্বী অমা চাউনা লৈ হায়রি।

কনাগুম্বা চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপামচা অমগা নুপীমচা অমগা মরী লৈনদুনা চেনবা– চোংবা মতমদা নুপা ময়ূম অমদি নুপী ময়ূম অনীগী মরক্তা য়ানদবা থোরকপদা নুপী ময়ূমগী মায়কৈদগী নুপামচা অদুগী মথক্তা পোক্সোগী কেস পানশিনবা য়াবগী অহোবা অমা চাউনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা নুপামচা অদুগী ইমুং মনুংদা অৱাবা পীবসু য়ারিবনি।

কনাগুম্বা চহী শুদ্রিবা নুপামচা অমনা নুপীমচা অমা মশা মশা য়ানদুনা চেনবা মতমদা নুপীগী ইমুংনা নুপামচা অদুবু পামদ্রবদি নমদুনা এক্ট অসিগী মখাদা কেস লৌখৎপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। নুপীমচা অদুনা মশা–মশা য়ানবনি হায়জরবসু কোর্টকী মীৎয়েংদা চহী শুদ্রিবা অঙাং অমনা হায়বা ৱাফম অদু মশাগী অশেংবা ৱাহৈনি হায়না লৌবা য়াদবনা নুপামচা অদু চৈরাক ফংবা য়াবগী লম্বী অমদি অদুমক লৈরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফংলিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ৫ অসিদা পোক্সোগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা কেস মশীং অসি লেপ্তনা হেনগৎলক্লি হায়বসি কম্পেন্সেসন ফংলবা ভিক্টিম মশীং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি।

কম্পেন্সেসনগী শেনফম অসি মপুং ওইনা পোক্সো স্পিসিয়েল কোর্টনা ওর্দর হেক তাখ্রবা মতুংদা য়ারিবমখৈ থুনা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী শেনফম অসি পীথোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি।

পোক্সো এক্টকী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা ভিক্টিমশিং অসিদা পীবা কম্পেন্সেসনগী শেনফম অসি ভিক্টিমশিং অসিগী য়াইফ– থৌরাংগী থবকশিংদা চপ চানা শীজিন্নরিব্রা হায়বসি থিদোকপা তঙাইফদবা লৈ।

দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী স্পোট ভেরিফিকেসন *মখা লমায় ৩দা...*

# এস এম পি বি অমদি প্রটিক্সা এগ্রোটেককী মরক্তা এম ও য়ু ইনখ্রে

## হেল্থ সেক্টরদা মকোক তারকপা নুংঙাই: জয়ন্তকুমার



ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা হিদাক কান্নরবা অমদি মনম নুংশিবা পাম্বীশিং অসিগী পোখোকশিং পুথোকপা লোয়ননা মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকমিন্নবগীদমক মণিপুর ষ্টেট মেদিসিনেল প্লান্ট বোর্দ অমদি সিলচরদা হেদ ওফিস ওইবা প্রটিক্সা এগ্রোটেক প্রাইভেট লিমিটেদকা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খূৎয়েক পীনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার এল জয়ন্তকুমারগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ষ্টেট মেদিসিনেল প্লান্ট বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরী ডা এ গুনেশ্বর শর্মা অমদি প্রটিক্সা এগ্রোটেক প্রাইভেট লিমিটেদকী দাইরেক্টর সুপ্রাটিম রোই চৌধুরিনা সিগ্নেটরি ওইনা মিনিষ্টরগী মমাঙদা খূৎয়েক পীনখিবনি।

মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা হিদাক কান্নরবা অমদি মনম নুংশিবা পাম্বীশিং টিশু কলচর তৌবা, অসিগুম্বা মখলগী পাম্বীশিংদগী পুথোকপা পোখোকশিং অদু অমুক হন্না কম্পনি অসিনা লৈশিনবা, অসিগুম্বা পোখোকশিং অদু প্রোসেস তৌবা, পাম্বীশিং অসিগী মতাংদা রিসার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট পায়খৎপা, অসিগুম্বা পাম্বীশিংগী মতাংদা ইঠনো বোটানিকেল অমদি দাটাবেজ শেমগৎপা, পাক শন্না পাম্বী থাবা অমসুং মদু কম্মর্সিয়েলাইজেসন তৌবা, লোয়ননা পোখোক চাথোক লৈবা লোয়ননা মগুন লৈবা থানবা পাম্বীশিং পীবা, *মখা লমায় ৩দা...*

# আই এল পিগী চৎন–কাঙলোন হাউসতা নৈনহৌসি: জয়কিষন

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৬(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্ত ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা দ্রাফ্ট রুলস এন্দ রিগুলেসন অদু গেজেট নোটিফিকেসন থোক্লিঙৈদা এসেমব্লিদা হান্না মমুৎ তানা নৈনহৌসি হায়না এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা এম এল এ, কেঐচ জয়কিষননা হায়, লৈঙাক্তা কুমজা ২০২০গী জনুৱারি ১ দগী হৌদুনা আই এল পিগী রুলস এন্দ রিগুলেসন অমা শেল্লগা পুথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

শেমগদৌরিবা রুলস এন্দ রিগুলেসন অদু গেজেটতা ফোঙদোক্লিঙৈদা নোংমগী ওইবা অখন্নবা এসেমব্লি সেসন অমা কৌরগা ওপোজিসন অমদি রুল্লিংগী এম এলএশিং পুন্না *মখা লমায় ৩দা...*

# থৌবাল পুলিসনা দ্রগ শুংফমশিং থুগায়দুনা শীংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌখি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(এস এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চহীসিগী মনুংদা ময়াই কাবা দ্রগ শুংফম কয়া থুগায়দুনা লুপা ক্রোর কয়াগী দ্রগ ফাগৎপা ঙম্বদা নত্তনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিনা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা চত্থবা লানদা চাউনা মায় পাকখিবশিংদি, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা মোইজিং অৱাং লৈকাইদা লৈবা মীওই অমনা ময়ুমদা চলাইরম্বা ময়াই কাবা দ্রগ শুংফম লেবোরেটোরি অমা চহীসিগী সেপ্তেম্বর ১৭তা থুগায়বগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১৬৫ রোমগী ওইগদবা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১৮৪.৫৫৪৯ কা কোন্ননা মীওই অদু ফাগৎপা ঙমখি। হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৪দা ফৌদেল কৈরাম্বী মথক লৈকাইদা লৈবা *মখা লমায় ৩দা...*

# লুহোংবা কুইদ্রিবা ১ ফুরকপদগী লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ লুহোংবা নুমিৎ ৯ খক্তা ঙায়রিবা নুপা অমা ফোনদা কৌথোকখ্রবা তমথিনা ফুরকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং সোইবম রোমিয়ো (২০) অপোকপা সোইবম শ্যাম কৌই, ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লিলোং অরাপ্তি অৱাং লৈকাইদগীনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা রোমিয়ো লুহোংবা নুমিৎ ৯নি খক্তা ঙাইরি। লৈকাই অদুমক্তদা লৈমিন্নবা নাওরেম অর্মজিৎ এলাইজ গুরু (২০) অপোকপা জিটেন কৌবা মমান্নবা অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা মোবাইল ফোনদা মেসেজ থারক্তুনা কৌথোকখিবনি। নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা অদুৱাইদা রোমিয়োগী মচেনা ফোন তৌবদা হিয়াংথাংদা খৃষ্টমাস য়াওরি লাক্লনি হায়না খুন্নকখি হায়রি। নুমিদাং পুং ৮গী অদুৱাইদা বুল্লেট কুম্বা গারী মচা অমগী মখোল থোঙ্গাল লোমদা তাখ্রবা মতুং মিনিট ১০ রোম লৈরগা রোমিয়ো ফিভম *মখা লমায় ৩দা...*

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Meitram, Imphal West, Manipur-795140
Website :- www.unaccoschool.in e-mail:- info.unaccoschoolmeitram@gmail.com

WANTED DRIVERS (40 Nos.)

UNACCO School, Khongman অমসুং Meitram গী দ্রাইভর ৪০ লৌজগদৌরি। ফম অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা ইশাগী ফোন নম্বর অমসুং passport photo য়াওবা Bio-Data তাং ০৪-০১-২০২০ ফাওবগী মনুংদা Odyssey Transport UNACCO School, Khongman নত্রগা Meitram দা পীশিনবিনবা থঙহনজরি। মহৈগী থাক্লা ক্লাস VIII (আইট) পাস তৌবা অমদি ইশাগী valid driving license পায়বা মীওই ওইগদবনি।

Salary Rs. 7,500/- p.m.

EPF, Mediclaim, Annual Increment, Lunch অমদি অথাপ্পা candidates, শিংগিদমক লৈফমগী খুদোংচাবসু ফংবীগনি।

Coporate HR
UNACCO School
SL/B/27,28 & 29

# ময়াই লম্বীদগী ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট তাবা চীংফু রোদকী ফীভম হায়নিঙাই লৈতনা ফৎত্রে

মোইরাংথেম খাগেম্বা মৈতৈ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ময়াই লম্বীদগী ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট তারক্লবা অনকপা খুদোংচাবা লম্বী ওইরিবা চীংফু রোদ হায়রগা খঙনবা লম্বী অসিগী ফীভম কা– হেন্না ফত্তবনা মরম ওইরগা মীয়ান্না চখোক–চৎশিন্দা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

বি জে পিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক্লকপা অতেনবা মতম অসিদা ষ্টেট অসিগী লম্বী–থোংদা অহোংবা পুরক্লে হায়না তোইনা ফোঙদোক্লবসু লমদম অসিগী মীয়ান্না তঙাইফদনা খুঙ্গং অমগা অমগা



ফাউদোক ফাউজিন তৌরিবা মরু ওইরিবা ইন্টর ভিল্লেজ রোদশিংগী ফীভমদি খুদোং চাদনা অদুমক লৈবনা অনম্বা ওইরি।

চীংফু রোদকী ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা লম্বী অসিদা চৎলম্বা চাউরাক্লা চহী ৫৪ রোম শুরবা কোঙেং লৈকাইদা (কৌনা থাবিদগী) য়ূন্নাম মোহেন্দ্রোনা পাউচে অসিদা হায়, চীংফু রোদ অসি ময়াই লম্বীগী মোংশাঙ্গে, নিংঙোম্বম, হিয়াংথাং অমদি টিদ্দিম লম্বী ফাউদোক্তুনা ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট অসি ইনক নক্না ফাউরগা চৎপা য়াবা মীয়ামগী খুদোংচাবা লম্বীনি। লোয়ননা খুঙ্গং মরি অসি ফাউদোক ফাউজিন য়াবগী লম্বীসু ওইরিবনি। লম্বী অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৬ দা মতমদুগী লৈঙাক্লা কোইলানচিংবা থাদুনা শেল্লম্বনি। অদুবু লম্বী অসিদা কা–হেন্না গাড়ী চৎপা অমদি গাড়ী অচৌবা কয়া তোইনা চৎপনা মরম ওইরগা লম্বী অসিগী ফীভম য়ৌনা *মখা লমায় ৩দা...*

# পুলিসনা ফাজিনখ্রবা শিন্মীশিংগী মচাশিং স্কুল বেগ সরেন্দর তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬(এস এন এস)ঃ এফ সি আই গোদাউনদা শিন্মীশিং থবক শুবা ফংহনখিদবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিনবদা পুলিসনা ফাজিনখ্রবা শিন্মীশিংগী পীক্লিবা মচাশিংনা এদুকেসন (এস) তা মখোয়গী স্কুল বেগশিং সরেন্দর তৌদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপা মতমদা চহী ৬ তগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ২৫ রোমনা ওটোদা লাক্তুনা ঐখোয়গী ইপা থাদোকপীয়ু থবক শুবা ফংহনবিয়ু, ঐখোয় থবক ওইনা শুজরগে লাইরিক তম্নবা শেল লৈত্রে হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউদুনা এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তরগী কা তম্না খঙহৌদনা থোমজিল্লকখি।

দাইরেক্তর আউট ওফ ষ্টেসন ওইরম্বদগী *মখা লমায় ৩দা...*





MOST TRUSTED NATIONAL BRAND SINCE 1998 WITH 27 CENTRES IN 13 STATES AND 25,000+ SUCCESS STORIES

TAKSHILA®
INSTITUTE
(A Unit of Takshila Academy (P) Ltd.)
in association with Heritage Convent
Estd. 1998

ADMISSION OPEN

- JEE
- NEET
- FOUNDATION

COURSES on OFFER

TAKSHILA CAPSULE NEET (TCN) for NEET - 2020
Eligibility : 12th Passed
Duration : 3½ months
Batch Starts : 13th Jan., 2020
Mode of Admission : Direct Admission
Classroom size : 40-45
Course Fee : ₹ 16,999/-
(First Come First Served)

TAKSHILA CAPSULE JEE (TCJ) for JEE - 2020 (April Session)
Eligibility : 12th Passed
Duration : 2½ months
Batch Starts : 13th Jan., 2020
Mode of Admission : Direct Admission
Classroom size : 40-45
Course Fee : ₹ 12,500/-
(First Come First Served)

TAKSHILA CRASH COURSE NEET(TCCN) for NEET - 2020
Eligibility : 12th Passed / Appeared
Duration : 1½ months (45 days approx.)
Batch Starts : Mid March, 2020
Mode of Admission : Direct Admission
Classroom size : 40-45
Course Fee : ₹ 9,999/-
(First Come First Served)

Admission FREE for Super achievers :
1. Position holders in X or XII Board Exam (Any Board)
2. 85% and above in X or XII Board Exam (Any Board)
3. Students of Heritage Convent securing 75% and above in HSLC who are eligible to take NEET/JEE 2020

TAKSHILA Advantage :
- Takshila Institute with its Head Office at Rohini, New Delhi- the most trusted National Brand with 27 centres pan India
- 21+ years experience in NEET/JEE coaching
- Highly qualified IITians, NITians and Doctors as permanent faculty
- 25,000+ success stories in the past 21 years
- ONLINE/OFFLINE doubt clearing session
- Study materials designed by Takshila Research and Development Cell (Over 40,000 Questions per subject)
- Takshila Tab with centralised live classes from Head Office at Delhi
- Result analysis for every student to identify their weak as well as strong area.
- Wifi campus
- Brought to you by Heritage Convent at Thangmeiband D.M. College Road, Imphal (Manipur)

Scan

For more details contact TAKSHILA Imphal Branch at
Takshila Heights - Thangmeiband D.M. College Road, Imphal-795001 (Manipur)
Phone : +91-6009445522
Website : www.imphal.takshilainstitute.in
Email : imphal@takshilainstitute.in